# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
### (DATE 11-11-2024)
## অকাশবানি ইম্ফালগী
## অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ
## (তাং ১১-১১-২০২৪, নিংথৌকাবা)

**পুলিস(এল)ঃ** মণিপুর পুলিসনা রাজ্য অসিগী চিং অমসুং তমগী চিংনবা মফমশিংদা কোম্বিং ওপরেসন অমদি এরিয়া দোমিনেসনগী থবক লেপ্তুনা চথ্বরি। ককচিং জিলাগী উতাংপোকপী হিলদা ঙরাং থিবা হুম্বগী থবক চথবদা নাইন এম.এম পিষ্টোল অনি, মেগজিন য়াওবা পোইন্ট টু টু গী রাইফল অমা, পোমপী অমা, হেন্দগ্রেনেদ অমা, কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু তরুক, কাপথোকখ্রবা নোংমৈ মরুগী তোকিং ২৭, স্মোক গ্রেনেদ অনি, তিয়র স্মোক সেল ৫, ৱেরলেস সেট অমা, বুলেট প্রুফ জেকেট অনি, বি.পি প্লেট অমা, জঙ্গল বুট অমা ফংবা ঙমখি।

অতোপ্পা থৌদোক অমদা, তেংনৌপল জিলাগী মাউজাং ভিলেজতা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা তুয়েল্ভ বোর, সিঙ্গল বেরেল রাইফল মরি, সভেন পোইন্ট সিক্স টু গী রাইফল অমা, থ্রী নোট থ্রী রাইফল অমা, পোমপী অহুম, লেথোট গন অমা, এ.কে ফোতি সেভেন রাইফলগী মেগজিন অনি, কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু ৪০, পোখাইবা পোৎলমশিং লোইননা, ৱাইরলেস সেট অমদি চারজরনচিংবা ফাগৎপা ঙমখি।

নেসনেল হায়ৱে-২ ইম্ফাল দিমাপুর লম্বী অমদি নেসনেল হায়ৱে-৩৭ ইম্ফাল জিরিবাম লম্বীদা পোৎ পুদুনা লাকপা গারি ২৫০ সেক্যুরিতিগী অকনবা ঙাকশেল থৌরাংগা লোয়ননা ইম্ফালদা পুশিল্লকখ্রে।

**ইন্টরেক্সন (এল)ঃ** করিগুম্বা থবক অমা তৌগে খল্লকপদা নিংহন্নবনা মাং থারবদি থবক অদু মাই পাকা পাঙথোকপা ঙম্লোই। ৱাফম অসি ঙরাং নিউ দেভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন শিংজমৈনা শিন্দুনা শিংজমৈ ওইনাম থিংঙেলদা লৈবা পোলিতিকেল এক্টিভিস ওইনাম রোমেনগী য়ুমদা পাঙথোকখিবা নোংমগী ওইবা ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অমদা লোক সভাগী এম.পি অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা ফোঙদোকখিবনি। মহাকা হায়-তৌগে খল্লিবা থবক অদু পুকিংদা চপ য়ুংনা লেপ্পগা খোঙফম চেৎনা চংশিনগদবনি। মদুনা থবক অদু ইরাই লায়না পাঙথোকপা ঙমগনি। য়ারোই,ঙম্লোই হায়বা ৱাখল্লোন থাদোক্কদবনি। মহাকা হায়-করিগুম্বা থবক অমা তৌবদা শোয়খিবা য়াওরবদি শোয়খ্রে হায়বা ঙম্বগী থৌনা ঐখোয়দা লৈগদবনি। অশোয়বা অদু কৈদৌঙৈদসু লোৎশিন্দুনা থম্লোইদবনি।

**--সাউন্দ বাইট(বিমোল)--**

ঙরাং পাঙথোকখিবা নোংমগী ওইবা খন্না নৈনবগী মীফম অদুদা কাঙুজম রঞ্জিৎ সিংহ এম.এল.এ সু শরুক য়াখি।

**এআর (এল)ঃ** চহী অসিগী সেপ্তেম্বর ৩০ দগী চৎথরকপা ক্লিন লিলোং, ক্লিন মণিপুর হায়বা লমতু শেংদোকপগী সোসিএল সর্ভিস কেম্প অমা ঙরাং লোইশিনখ্রে। অসাম রাইফলস অমদি য়ুথ ক্লব ৫৪ না পুন্না শাবা লিলোং য়ুনাইতেদ ক্লব না পুন্না খুৎশমরগা পাঙথোকখিবা কেম্প অদুদা অসাম রাইফলসকী পর্সনেল য়াওনা মাওই ৩০০ লোমা শরুক য়াখি। অসাম রাইফলসনা মখা তানা ৱার্ল্ড ইম্যুনাইজেসন ডেগা মরি লৈননা চান্দেল জিলাগী সেলোন, কোবাং, কচিনবুং, তুইতোং, ওল সমতল অমদি নিউ সমতলদা তোঙান তোঙানবা হেলথ এৱ্যেরনেস অমদি লেমা লায়েংবগী কেম্পশিং পাঙথোরকপা ঙরাং লোইশিনখ্রে। জিলা অসিগী প্রজা মীয়ামগা অসাম রাইফসকা হেন্না মরি চেৎশিলহন্ননবা ‘এ ডে ৱিট কম্পনি কম্মান্দর’ হায়বা থৌরম অমসু

পাঙথোকখ্রে।

**চীফজস্তিস ঃ** সনজিভ খানা লৈবাক অসিগী ৫১ শুবা চীফ জস্তিস ওইনা ঙসি ৱাশক লৌরগনি। রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা রাষ্ট্রপতি ভাবনদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা জস্তিস সনজিভ খানাবু ৱাশক লৌগনি। জস্তিস সনজিভ খানা লৈবাক অসিগী মরু ওইবা জদসমেন্টশিং-মীখলদা ইলেক্ট্রোনিক ভোতিং মেছিন শিজিন্নবা, ইলেক্টোরেল বোন স্কিম ককথৎপা অমদি ২০১৯ দা আর্তিকল ৩৭০ লৌথোক্তুনা জম্মু কাশ্মীরদা পীরম্বা স্পেসিএল স্তেটসশিং লৌথোকপনা চিংবা সুপ্রিম কোর্টকী কন্সটিট্যুসন বেঞ্চতা য়াওখিবনি। জস্তিস সনজিভ খানানা হৌজিক চীফ জস্তিস ওইনা থৌ পুরিবা দি.ৱাই চন্দ্রচুরগী মহুৎ শিল্লগনি।

**জম্মু ঃ** জম্মু কাশ্মীরগী কিস্তৱার জিলাদা ঙরাং লালহৌবশিংগা খুৎ থোকবদা পেরা এস.এফ কী লান্মী অমা শিরে। অতোপ্পা অহুম অমনা শোক্লে। হৌখিবা চয়োলদা ভিলেজ দিফেন্স গার্দ অনি লালহৌবশিং হাৎখ্রবা মতুং জিলা অসিগী অশুকপা উমংশিংদা লালহৌবশিং অদু লৈরে হায়বগী অককবা পাউ অমা ফংবদগী সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা থি হুম্বগী থবক চখ্থবদা থৌদোক অদু থোকখিবনি। হৌজিক মখা তানা কোম্বিং ওপরেসন চখ্থরি।

**হোক্কী ঃ** বিহারগী রাজগিরদা ঙসিদগী নুপীগী এসিয়ান চেম্পিয়ন্স ত্রোফি হোক্কী টোরনামেন্ট ২০২৪ ঙসিদগী হৌরগনি। ঙসি অহৌবা নুমিৎকী মেটচতা ভারত অমদি মালেসিয়া নুংথিল পুং ৪.৪৫ চৎপা মতমদা শান্নরগনি। ভারতকী টিম অসিদা মণিপুরগী পুখ্রম্বম সুসিলা অমদি খারিবম বিচু সু শরুক য়াগনি।

**য়োগা ঃ** মঙা শুবা জ্নিয়র অমদি সব জ্নিয়র য়োগা অসনা স্পোর্টস নেসনেল চেম্পিয়নশিপ গুৱাহাতিদা ঙসিদগী হৌরগনি। থা অসিগী ১৪ ফাওবা চখ্থগদবা

চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়াগদবা মণিপুরগী শান্নরোইশিং অদু মণিপুর হেন্দলূম অমদি হেন্দিক্রাফট দেভলপমেন্ট কোর্পরেসনগী চ্যেরমেনসু ওইরিবা খোঙবান্তাবম ইবোমচা এম.এল.এনা ঙরাং লমথাখি। পনবা য়াই, চেম্পিয়নশিপ অদুগী ওইনা মণিপুরদগী মণিপুর য়োগা অসনা স্পোর্টস এসোসিয়েসনগী জেনরেল সেক্রেটরি ওইনা থৌ পুরিবা পুখ্রম্বম বির প্রকাশপু নেসনেল জ্রি মেম্বর ওইনা খল্লকপদা এম.এল.এ না থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

থমাপোকপা অমদি সনাশাবীদা মখা তানা খুৎ থোকখিবা অমদি মসিদা আর্মিগী জৱান অমা শোকখিবা, কেন্দ্র সরকার, মণিপুর সরকার অমদি য়ু.এন.সিগী মাইকৈ অহুমগী ৱারি মখা তানা থা অসিগী ১৩ দগী সেনাপতি হেদক্বার্টর্সতা চখ্নরগনি -হায়বা পাউ অমদি বিষ্ণুপুর জিলাগী সাইতোল খুলদা নুপী অমা হাৎখিবগী থৌদোক মীয়ামা পেন্দবা ফোঙদোকরকপগী পাউশিংনা ঙসি ফোঙলিবা পাউচে অয়াম্বগী মরু ওইবা হেদলাইন ওইনা ফোঙলি।

হুইয়েন লানপাউ পাউচেদা থমাপোকপীদা বোম নোংমৈ হৈথরকখ্রে, সেক্যুরিতি অমা শোক্লে। জিরিবামদা ফোরেষ্ট বিট মৈ থাখ্রে। বোমা য়ুম অনি মা দপ অমা থুগাইখ্রে-হায়বা পাউনা অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

ৱাকাই ঙাংবা লালদুহোমাগী মথক্তা এফ আই আর থাঙ্গৎখ্রে, গভর্নরদসু ৱাকৎখ্রে হায়বা পাউ অমদি সনাশাবী অমসুং থমাপোকপীদা খুৎ থোকবদা সি.এ.এফ অমা শোক্লে হায়বা পাউ অসি ফোতোগা কোন্ননা ইচেল এক্সপ্রেসকী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

আই.তি.এল.এফ য়াওনা ত্রাইবেল ওর্গনাইজেসন ১০ না ইন্দো ম্যান্মার বোর্দর ফেন্সিং খাবদা য়ানিংদবা ফোদোক্লি-হায়বা পাউ অসিনা নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

মণিপুরদা নৌনা জিলাশিং শেমখিবগী মতাংদা য়ুনাইতেদ নাগা কাউন্সিল,ভারত সরকার অমসুং মণিপুর সরকারগী নাকল অহুমগী ওইবা ৱারি থা অসিগী ১৩ দা সেনাপতি জিলাদা চত্থরগনি-হায়বা পাউ অসি মোর্নিং বেল, হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেস অমদি ইম্ফাল ফ্রী প্রেসকী অহানবা লমাইদা ফোঙলি। পাউ অসি পাপলস ক্রোনিকল, পোকফম, সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী অমসুং ইংলিস ইদিসনদা ফোঙলি।

মহারাজা বোদচন্দ্র কোলেজকী এল্যুমাই মিট পাঙথোকখিবগী পাউ মণিপুর মেলগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

সোফিয়া মিসিগী মতাংদা এম.এল.এ প্রেমচন্দ্রনা লূচিংদুনা সি.এম গা উনখ্রে। ষ্টেট সেক্যুরিতি ফোর্সনা খুল ঙাকপগী থবক তৌহনবদা য়ানখ্রে-হায়বা পাউ অসিনা মণিপুর নিউজকী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

দি.জি.পি রাজিভ সেনাপতি হেদক্বাতরদা চৎলূরে। দি.জি.পিনা উনসি হায়বদা ব্লোকেট তৌরিবশিংনা য়াখিদ্রে হায়বা পাউ অসিনা সনালৈবাক পাউচেগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

নুমিৎ নিনিগী ওইবা অমুর ফেলকোন কেম্পেইন-রেনফোরেষ্ট ক্লব তামেংলোং, তামেংলোং ফোরেষ্ট দিভিজন অমসুং ৱাইল্ডলাইফ ত্রষ্টনা পুন্না চিয়ুলূৱানদা পাঙথোকখিবগী পাউ গানফিউ মেল অমদি তামেংলোং তাইমসকী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।